ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২৮, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৪০শুবা মশীং

নুংশিরবা ইমা-পাবুং

নখোয়বু লম্বোইগদ্রা নৎত্রগা লম্বোইরোইদ্রা

পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুরগী পুৱারীসে ওন্থোক্লা শাংখ্রে। শাংলবা মীওইবগী পুৱারী লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমনিকো। অদুবু পোইরৈতোন খুন্থোকপা অমসুং নোংদা লাইরেল পাখঙবনা নিংথৌ ওইখিবা মণিপুরবু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ খায়দোক্লগা পাঙথোরকপা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলশিংদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকখ্রবশিংসি ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী 'মপী-মপা' নৎত্রা? দেমোক্রেসি লৈঙাক্লোনগী মতুংইন্না মতম-মতমদুগী লৈঙাক্লোন পায়বসু-পায়দবসু মীয়ামগী মপী-মপাশিং লোইনা ওইবনিনা মখোয়বু মণিপুরগী মীয়াম্না নুংশিনা 'ইমা-পাবুং' হায়না মিঙ্গৌনজবা য়ারোইদ্রা? য়াম্না কায়গদ্রা? য়াবা অমসুং কায়দবা মাল্লি অসুম্মাইনা মিঙ্গৌনরকপা থেংনখ্রে। সোসল মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা খক্তা নত্তনা মীয়াম তিনবা থৌরম কয়াদসু নুংশিরবা মিঙ্গৌসি শীজিন্নবা হকথেংনখ্রে। মসি ওইরগদি মীয়ামগী নুংশিরবা ইমা-পাবুং নখোয়না হয়েং মচা-মশুশিং ওইরিবা মীয়াম্বু অরোইবা ওইনা থাদোক্লমদুনা থুপখিবা মতমদা লম্বোইগদ্রা নৎত্রগা লম্বোইরোইদ্রা হায়বগী ৱাহং নচাশিং ওইরিবা মীয়াম মরক্তগী হংনরক্লে হায়বনি। মচাশিং ওইরিবা মীয়াম্না ৱাহংসি মাঙজৌননা হংলকপসিনা ষণবী লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাৎপগী থৌদৌদুনি হায়রকপসু ময়ারিবনি। অদুবু হৌজিক্কী মণিপুরগী মীয়ামগী মপী-মপা ওইরিবা লৈঙাক্লোইশিংদদি ৱাহংসি তঙাইফদনা হংদবা য়াদবা ৱাহংনি হায়রক্লে কমদৌসিগে?

মীয়াম্না হায়রিবনা মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা খান্বা য়াওদবদগী মখা শাংথরক্লিবা তমথীরবা লানগী মৈশানা চাকথেক্লবসু মখোয়গী মমা-মপা ওইবশিংগী মরক্তগী মনুং-মতম চাদনা খ্বাংতেক খাওমংনদুনা অমঙ য়াইথোং কুমদুনা অশি-লমদম পাংখিবা পামজদে। শীঙখল তরেৎকী মথক্তা থমদুনা পোৎলোইরবা ফাওবদা 'অস্থি' লৌজনীংখিবনা পাঙ্গোংনা করিনা শারগা শোৎ-প্রেক লাওদনা হেক্তমক লোইশিনবসু পামজদ্রি। হিংচা-য়াইতম্বগী লান থোকহল্লকপদগী য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিং অমসুং মালেমগী মীয়াম পূম্বনা হু তরেৎমুক খাবদগী য়াম্না চাউনা 'ধুম-ধাম' দা পাঙথোকপদি খুদোং চারোইদৌরে। মসি ওইরগসু মপী-মপা শক্লবশিংসিগীদমক্তদি লাইগী শোয়বা য়াদবা থৌরমশিংদি চৈ কান্দনা পাঙথোকচনীংলি। মতেক খরদং ওইরবসু মীয়ামগী মপী-মপা ওইবিরম্বগী লম্মন মচা ওইবা মীয়াম্না শীংজনীংলি। শিদবদি য়ারোইদো? অমুক পোক্লবদি শিবা হায়বসিদি হৌনশানি। 'অশিবা' হায়বসিদি মীওইবনা হেক পোক্লকপগা নোংমা শোয়দনা থারগদবা নম্বো ওইনা পোদুনা লাক্লবনি। অদুনা শিবু শিরবদি হনবা য়াররোইদবা 'অশি-থৌরি' না পুল্লবনিনা অরোইবা মথৌ মঙমদি শুনা পাঙথোকচনীংবা জাৎনি। মসি হায় হায়দুনা লানসিদা মীওই ২০০ রোম শিবদা লোইনা কৎথোক্লখিবদগী মরাং কাইদ্রবনিনা হৈ-লৈসু লৈরিক-লৈরাক থন্না কৎপা ঙমজদববুদি ওইদ্রে। মীপূম খুদিংনা পিশুম শুকপগী মথক্তা 'মোব লিঞ্চিং' গী চৎনবী অমসু ফোং-ফোং শানা লৈরিবনিনা নীংশিং খুভম নৎত্রগা ফুরানচিংবা শাবগী ওইথোকপসু লৈগনি থাজদ্রে। মীয়াম্না মখোয়গী মপী-মপানি হায়দুনা মদুম্মক তৌরুবদা ফীভম চারোইদবসু লৈরে। ইশম-শম্না থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্কদৌরে। পূন্নমকসি ওইজরগসু মপি-মপা ওইবীরিবশিংগীদমক মচা ওইজরিবা মীয়াম্না লৈ মনা অমত্তসু কচ্চবা হায়বসিদি মহৌশানি। মসিমক্লা য়াম্না থুনা অমং-থরৈ কুমখ্রো, মীয়ামগা শেৎন-খায়নরসি হায়বা নত্তে। অদুবু ঙসি-হয়েং তম্বা ঙমদবনিনা মপী-মপা ওইবশিংনা মমিৎ-মমায় পাংলিঙৈ, মপাঙ্গল কল্লিঙৈদা পুকমেন-পাউমেন্নজদুনা মখোয়গী অপাম্বগী মতুংইন্না থৌগল-তৌজনবা শেম-শাজহৌনবা ৱাহংসি হংনরকপা ওইরমাল্লে। অদুগা খ্বাইদগী নুংঙাইরিবনা মচা ওইরিবশিংনা মখোয়গী মপী-মপা ওইরিবা ইমা-পাবুংশিংদা হংলিবা ৱাহংসিগী মরম্না লম্বোইদ্রগদি মপোক অমদা অমুক হল্লকই হায়বগী থাজনবী মতম শাংনগী মমাঙদগী লৈরকপনা হন্দক্কী মতাংসিদদি মপী-মপাশিংবু অমুক তেকশিন-হঞ্জিল্লক্তনবা লোইনমক লম্বোইহন্নীংবসু ওইরমাল্লে। লম্বোইহনবনসু মতিকপুদি চারবা।

ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯥ ꯏꯃꯥ-ꯄꯥꯕꯨꯡ

ꯅꯈꯣꯌꯕꯨ ꯂꯝꯕꯣꯏꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯝꯕꯣꯏꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ

ꯄꯤꯀꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯏꯔꯃꯗꯝ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤꯁꯦ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯥ ꯁꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯁꯥꯡꯂꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯄꯨꯋꯥꯔꯤ ꯂꯩꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯁꯨ ꯑꯃꯅꯤꯀꯣ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯄꯣꯏꯔꯩꯇꯣꯟ ꯈꯨꯟꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯣꯡꯗꯥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯄꯥꯈꯉꯕꯅꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯣꯏꯈꯤꯕꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯌꯦꯟꯁꯤ ꯶꯰ ꯈꯥꯌꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯔꯀꯄꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯚ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯡꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯠ ꯑꯣꯏꯔꯛꯈ꯭ꯔꯕꯁꯤꯡꯁꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ 'ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ' ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯃꯇꯝ-ꯃꯇꯝꯗꯨꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯄꯥꯌꯕꯁꯨ-ꯄꯥꯌꯗꯕꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥꯁꯤꯡ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯑꯣꯏꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅꯥ 'ꯏꯃꯥ-ꯄꯥꯕꯨꯡ' ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯒꯧꯅꯖꯕꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ? ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯥꯌꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯌꯥꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯥꯌꯗꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯤ ꯑꯁꯨꯝꯃꯥꯏꯅꯥ ꯃꯤꯡꯒꯧꯅꯔꯀꯄꯥ ꯊꯦꯡꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯁꯣꯁꯜ ꯃꯤꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯟꯕꯥ ꯄ꯭ꯂꯦꯠꯐꯣꯔꯝꯁꯤꯡꯗꯥ ꯈꯛꯇꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯇꯤꯅꯕꯥ ꯊꯧꯔꯝ ꯀꯌꯥꯗꯁꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯥ ꯃꯤꯡꯒꯧꯁꯤ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯥ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯔꯕꯥ ꯏꯃꯥ-ꯄꯥꯕꯨꯡ ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ ꯍꯌꯦꯡ ꯃꯆꯥ-ꯃꯁꯨꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯕꯨ ꯑꯔꯣꯏꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯝꯗꯨꯅꯥ ꯊꯨꯞꯈꯤꯕꯥ ꯃꯇꯃꯗꯥ ꯂꯝꯕꯣꯏꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯂꯝꯕꯣꯏꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯍꯡ ꯅꯆꯥꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯍꯡꯅꯔꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯆꯥꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯋꯥꯍꯡꯁꯤ ꯃꯥꯡꯖꯧꯟꯅꯥ ꯍꯡꯂꯀꯄꯁꯤꯅꯥ ꯁꯅꯕꯤ ꯂꯩꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯗꯥ ꯍꯧꯗꯣꯡ ꯍꯥꯠꯄꯒꯤ ꯊꯧꯗꯧꯗꯨꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄꯁꯨ ꯃꯌꯥꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯗꯤ ꯋꯥꯍꯡꯁꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯅꯥ ꯍꯡꯗꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯥ ꯋꯥꯍꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯦ ꯀꯃꯗꯧꯁꯤꯒꯦ?

ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯅꯥ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯈꯥꯟꯕꯥ ꯌꯥꯎꯗꯕꯗꯒꯤ ꯃꯈꯥ ꯁꯥꯡꯊꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯟꯒꯤ ꯃꯩꯁꯥꯅꯥ ꯆꯥꯛꯊꯦꯛꯂꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯃꯥ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡ-ꯃꯇꯝ ꯆꯥꯗꯅꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯡꯇꯦꯛ ꯈꯥꯎꯃꯡꯅꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯉ ꯌꯥꯏꯊꯣꯡ ꯀꯨꯃꯗꯨꯅꯥ ꯑꯁꯤ-ꯂꯃꯗꯝ ꯄꯥꯡꯈꯤꯕꯥ ꯄꯥꯃꯖꯗꯦ꯫ ꯁꯤꯉꯈꯜ ꯇꯔꯦꯠꯀꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯊꯃꯗꯨꯅꯥ ꯄꯣꯠꯂꯣꯏꯔꯕꯥ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ 'ꯑꯁ꯭ꯊꯤ' ꯂꯧꯖꯅꯤꯡꯈꯤꯕꯅꯥ ꯄꯥꯡꯒꯣꯡꯅꯥ ꯀꯔꯤꯅꯥ ꯁꯥꯔꯒꯥ ꯁꯣꯠ-ꯄ꯭ꯔꯦꯛ ꯂꯥꯎꯗꯅꯥ ꯍꯦꯛꯇꯃꯛ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕꯁꯨ ꯄꯥꯃꯖꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯍꯤꯡꯆꯥ-ꯌꯥꯏꯇꯝꯕꯒꯤ ꯂꯥꯟ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯀꯄꯗꯒꯤ ꯌꯨꯝꯊꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯝꯕꯅꯥ ꯍꯨ ꯇꯔꯦꯠꯃꯨꯛ ꯈꯥꯕꯗꯒꯤ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯥꯎꯅꯥ 'ꯙꯨꯝ-ꯙꯥꯝ' ꯗꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯗꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡ ꯆꯥꯔꯣꯏꯗꯧꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯁꯨ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯁꯛꯂꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯗꯤ ꯂꯥꯏꯒꯤ ꯁꯣꯌꯕꯥ ꯌꯥꯗꯕꯥ ꯊꯧꯔꯃꯁꯤꯡꯗꯤ ꯆꯩ ꯀꯥꯟꯗꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯆꯅꯤꯡꯂꯤ꯫ ꯃꯇꯦꯛ ꯈꯔꯗꯡ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯤꯔꯝꯕꯒꯤ ꯂꯝꯃꯟ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯁꯤꯡꯖꯅꯤꯡꯂꯤ꯫ ꯁꯤꯗꯕꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏꯗꯣ? ꯑꯃꯨꯛ ꯄꯣꯛꯂꯕꯗꯤ ꯁꯤꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯍꯧꯅꯁꯥꯅꯤ꯫ 'ꯑꯁꯤꯕꯥ' ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯍꯦꯛ ꯄꯣꯛꯂꯀꯄꯒꯥ ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯊꯥꯔꯒꯗꯕꯥ ꯅꯝꯕꯣ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯣꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯕꯨ ꯁꯤꯔꯕꯗꯤ ꯍꯅꯕꯥ ꯌꯥꯔꯔꯣꯏꯗꯕꯥ 'ꯑꯁꯤ-ꯊꯧꯔꯤ' ꯅꯥ ꯄꯨꯜꯂꯕꯅꯤꯅꯥ ꯑꯔꯣꯏꯕꯥ ꯃꯊꯧ ꯃꯉꯃꯗꯤ ꯁꯨꯅꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯆꯅꯤꯡꯕꯥ ꯖꯥꯠꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯍꯥꯌ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ ꯔꯣꯝ ꯁꯤꯕꯗꯥ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯀꯠꯊꯣꯛꯂꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯃꯔꯥꯡ ꯀꯥꯏꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯩ-ꯂꯩꯁꯨ ꯂꯩꯔꯤꯛ-ꯂꯩꯔꯥꯛ ꯊꯟꯅꯥ ꯀꯠꯄꯥ ꯉꯃꯖꯗꯕꯕꯨꯗꯤ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯅꯥ ꯄꯤꯁꯨꯝ ꯁꯨꯛꯄꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ 'ꯃꯣꯕ ꯂꯤꯟꯆꯤꯡ' ꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤ ꯑꯃꯁꯨ ꯐꯣꯡ-ꯐꯣꯡ ꯁꯥꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡ ꯈꯨꯚꯝ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯐꯨꯔꯥꯟꯆꯤꯡꯕꯥ ꯁꯥꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯄꯁꯨ ꯂꯩꯒꯅꯤ ꯊꯥꯖꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯗꯨꯝꯃꯛ ꯇꯧꯔꯨꯕꯗꯥ ꯐꯤꯚꯝ ꯆꯥꯔꯣꯏꯗꯕꯁꯨ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯏꯁꯝ-ꯁꯝꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯦ꯫ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯁꯤ ꯑꯣꯏꯖꯔꯒꯁꯨ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯤꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯏꯖꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩ ꯃꯅꯥ ꯑꯃꯠꯇꯁꯨ ꯀꯠꯆꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯍꯧꯁꯥꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯂꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯊꯨꯅꯥ ꯑꯃꯡ-ꯊꯔꯩ ꯀꯨꯃꯈ꯭ꯔꯣ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯥ ꯁꯦꯠꯅ-ꯈꯥꯌꯅꯔꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯉꯁꯤ-ꯍꯌꯦꯡ ꯇꯝꯕꯥ ꯉꯃꯗꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯃꯤꯠ-ꯃꯃꯥꯏ ꯄꯥꯡꯂꯤꯉꯩ, ꯃꯄꯥꯡꯒꯜ ꯀꯜꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯄꯨꯛꯃꯦꯟ-ꯄꯥꯎꯃꯦꯟꯅꯖꯗꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯊꯧꯒꯜ-ꯇꯧꯖꯅꯕꯥ ꯁꯦꯝ-ꯁꯥꯖꯍꯧꯅꯕꯥ ꯋꯥꯍꯡꯁꯤ ꯍꯡꯅꯔꯀꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯜꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯅꯥ ꯃꯆꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯏꯃꯥ-ꯄꯥꯕꯨꯡꯁꯤꯡꯗꯥ ꯍꯡꯂꯤꯕꯥ ꯋꯥꯍꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯝꯅꯥ ꯂꯝꯕꯣꯏꯗ꯭ꯔꯒꯗꯤ ꯃꯄꯣꯛ ꯑꯃꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯜꯂꯛꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯥꯖꯅꯕꯤ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯒꯤ ꯂꯩꯔꯀꯄꯅꯥ ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯃꯇꯥꯡꯁꯤꯗꯗꯤ ꯃꯄꯤ-ꯃꯄꯥꯁꯤꯡꯕꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯇꯦꯀꯁꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯜꯂꯛꯇꯅꯕꯥ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯂꯝꯕꯣꯏꯍꯟꯅꯤꯡꯕꯁꯨ ꯑꯣꯏꯔꯃꯜꯂꯦ꯫ ꯂꯝꯕꯣꯏꯍꯅꯕꯅꯁꯨ ꯃꯇꯤꯛꯄꯨꯗꯤ ꯆꯥꯔꯕꯥ꯫

জোরাম থাঙ্গা - তস কমদৌই!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৯২

জিতেন নামৈরাকপম

মিজোরাম! ৱান্দরফুল...! অসুক্কী মতিক ফজে। ঐনা মিজোরামদা চৎখিবদু কুইরে। ঙসিদগী চহী ২০ হেল্লন্নগনি খঞ্জে। ৱা... ফজে... অসুক্কী মতিক ফজে। নেচরেল বিয়ুটি, উচেক-ৱায়াগী মখোল ঈংনা চিক্লবা ৱাটর ফোলগী মখোল। খঙদে ঐনা লৈরুবা মিজোরামগী গেষ্ট হাউস! গেষ্ট হাউস অদুগী নাকলদা লৈরম্বা থোংনাউ অদু হাংদোক্লবা মতমদা উরকই, পুর্নিমাগী থাজ অমা'। থা অদু অদুক্কী মতিক ফজে। থেংলবা অহিংগী মতমদা ইতোম খক্তা লৈরবা, চিক্লবা অহিং, উচেক ৱায়াগী মখোল অদুগা তীল-কাং ওইজরসনু, কনাগী মখোল তাদ্রবা মতমদা। অমুকসু খল্লক্লে ঐদি। ইমাসি এম কে বিনোদিনিগী ঈশৈ ময়েক - করম্বা যুক্কী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো/ওৎলরে ঐবু তত্তনা মানা/হায়ফম খঙদে করি ওইনি...। ঐনা খঞ্জখি ইমাসি মহারাজকুমারী অসি কনাগুম্বশিংনা ওৎপিখ্রবা জাৎলা। ঐগী ৱাহংনি। ৱারৌবীরোই।

ঐনা ইজরিবা আর্টিকল অসি খঙচোং-চোংজরগে। ইমাশি বিনোদিনি য়াইস্কুলদা লৈরম্বা য়ূম অদুদা অইবনা ঙসিদগী চহী ৩৬ লোমগী মমাঙদা চত্তুনা উন্নজরুই। ইমাসি য়াম্না চীং লেস্মী। শম্না হায়রবদা মাদর টেরেসাগুম্বগী মওং ওইখিব্রা-ওইখিদব্রা মদুমক্তি খঙজদ্রে। ঐনা হংই - ইমাসিগী য়াম্না নুংশিখ্রবা অমসুং ঐনা হৌজিক লৌজরিবা ঐগী নুপী মমিংদি পঞ্জররোই - 'য়াম্না ফজে, ইমাসি 'বসন্তিগী মোমোন মীনোক'। অদুগা অমুকসু হায়জগে ইমাসি 'নুঙ্গাইরক্তা চন্দ্রমুখি'। ইমাসিগী অসুক্কী মতিক ফজখ্রবা শোর্ট ষ্টোরি অসি পারবা মতমদা ইমাসি নচাদি ঙাওজরে' অসুম্না হায়খি। ইমাসিনা হায়রখি অঙাওবসিদি' হায়রগা ঐগী কোক্তা নান্থবিরকখি।

অদুগা অমনা ঐনা নুংঙাইজদবা ৱারী অমদি লৈজখি 'বর সাহেব ওংবী সনাতোন্বী'- ইমাসি সনাতোন্বী মদুসু নিংথৌগী মচা-মশুনা কৈদৌবগী ইংলিসমেনদা য়ূম পাল্লিবনো? য়াম্না পান্মুই য়াম্না পান্মুজে। ঐনা মতমদুদা নিংথৌ ওইরল্লগদি ইচানুপী অদু মেক্সৱেলদা ময়ূম শুকপান পালহল্লোই। ৱারৌবীরোই ইমাসিগা উনজরুবগী মতেক খরখক্তনি।

অদুগা মখা তারকপা মতমদা ঙসাই ঐগী আর্টিকল অসি হৌরকপা মতমদা ইজখি - মিজোরাম। মিজোরাম হায়রিবা ষ্টেট অসি আই এল পি (ইন্নর লাইন পর্মিট) চৎনবা মফম অমনি। চপ হেক মান্নে। অরুনাচল প্রদেশতসু অদুম চৎনৈ। কদাইদগী অফাওবগা শারদুনা মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশকা ইটানগর, পাশিঘাট, লীকাবলী, ধিমাজি অদুগা দেখা তুঝো তো... টৱাং, অরুনাচল প্রদেশ। মতম অদুদা শাহরুখ খানগা মাধুরি দিক্সিটকা ফিল্ম নমখিবা/নল্লিবা মফম। নোর্থ ইষ্ট হায়রেদনা মণিপুরগী মাও লাম্থোকখ্রগদি নাগালেন্দ মথং-মথং দিমাপুর-গুৱাহাটি। অমুকসু চৎলুই - খানাপরা! গুৱাহাটি, থায়নগী মতমদা হায়রম্বা গৌহাটি। অমুক্কসু নীংশিংলক্লে গুৱাহাটি! বোড়দোলোয় এয়রপোর্ট অদুগা পান বজার, পল্টন বজার, ফেন্সি বজার, গুৱাহাটিগী জু কৈ-নোংশা অদুগা ফিট ৮ হেন্না ৱাংবা জেব্রা।

পূন্নমক অসি থুপচিনখ্রসি। নুংশিখ্রবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট মফম থুংনা চৎচরুরে। ৱারী অসি মতেক খজিক্তং কোইথোকচরি। ইন্দিয়াগী মেপতা য়েংবীয়ু নেপালগা তাইনবদা য়েন মঙক মানবা মফমদো। ন্যু জলপাইগুরি মফম অদুদসু থা ৩/৪ লৈজরুরে। অদুগা নুংশিখ্রবা ঐনা ইকোক নোন্না খুরুমজরিবা ডা. কমলগী মাধবী। লৈ পরেং। ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা অদুগা দেবজানি। অসুক ফজখ্রবা মাধবীগী লৈহাও লৈরেন পান্বী অদু হৌজিক্তি হিংহৌদ্রে। চৎচরুই লংথবাল হৈবোক চীং অদুগা ইপুবোক কমলগী শিলং। শিলোং হায়নবা তৌবতবু ইপুবোক ডা. কমলনদি 'শিলং' হায়না ইবিরম্মী মাধবীদা। থৌওইনা থিজরুবনি খাশিগী নুপীশিং মথবাক্তা ফী পুল্লগা লেপ্পা, টামুল ক্কানা ময়া অদু ঙাংশং ঙাংবা, মুঘল সাম্রাজ্যগী নিংখাইখ্রবা চেকপল মানবা য়াগী পরেং মদুসু উজরকখি।

লোইশিল্লকপদা, মিজোরামদগী হৌজরকপনিনা মিজোরামদা অমুক লোইশিঞ্জগে। মিজোরামদা চৎচরুরে। তৌবতবু আই এল পিগী পাস অমা পায়দ্রগদি চংবা য়াদ্রবনি। ঐনা আইজোল য়ৌগে খল্লুবদু আই এল পি পায়খিদে। থেংনৈ, হংলকখি - পুথোরক্লো-দেখাউ...। ঐদি শুংয়াও হেক য়াওদ্রে। ঐনা হায় মিজোরাম পুলিস মচা মচা অহুমদুদা বোর্দর লানশিনফমদা লৈরম্বদো। সে! পাঞ্চ শো, লুপা চামঙাগী য়ু। খঙলেকো দারু...। পাউ অদুম ফাওনখি।

জোরাম থাঙ্গানা তাকখৎপা শকসিদি মালেম পৃথিবীদা লৈতে হায়বা য়াই। মানা হায়খিবদুবো - এন আর সী মিজোরামদা চৎনরোই, বি জে পি মৱা লৌদে, পোলিটিকেল্লি অসুম লৈঙাক পায়নবগী ৱানি - জি-জা ঐদি তৌদে, তৌসু তৌরোই। মোদি, অমিট শোয়খ্রে মোদি হায়গদবনি। মোদিনা মিজোরামদা ভোট খোন্বা লাকপদা ফম্মিন্নরোই। অদুগা করি করিনো য়াম্না হায়খিবনি, মুকখিবনি। তৌবতবু লুরিবনা শাউবিগনু জোরামথাঙ্গা নঙনা মণিপুরদগী নঙগী ষ্টেটতা চেনখিবা কুকি ১২,৫০০ দো মচীঞ্জাক থাকপা ঙমদ্রে হায়দনা সেন্টরদা মোদি অমিট শাহদা লুপা ক্রোর ৫/৬ নীখি। অদুগা ঐনা তাবা ফংজরে-মিজোরামগী ওইবা বডজেটকী শেল নত্তনা সিকি অমত্তা পীরোই।

অরোইবদা কুকি লাঞ্জেন্নখ্রবা ইচিল-ইনাওশিংগী ওইবা পাউ অমত্তং তমজরি - মিজোরামদা চঙজফম লৌরিবা মণিপুরগী কুকিশিংদা সেন্টরনা লুপা অমা ফাওবা পীবিয়ু য়াদ্রে। কুকি ইচিল ইনাওশিং নখোয়না মিজোরামদা চেল্লিবদু করিগীনো? চুড়াচান্দপুরদো লম য়াম্না চাউবনি। খুগা দামগদো ঐসু ঈরোইরম্বনি কুমজা ১৯৮৭তা। নহোয় অদুম হিংউ মণিপুরদা হল্লকউ। চীফ মিনিষ্টর বিরেননা শোয়দনা মতেং পাংগনি। শিকিসু থোক্তবা নূঙগী নূঙ ঙাক্তা ঙায়বা মিজোরামদা নেচরেল রিসোর্সসু লৈতবা - জোরামথাঙ্গা- তস কমদৌই। ●

ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৩৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

ইমালোল	মীরোল	মীরোল (ইংলিস)
ইকোম	পুখ্রি (খুদম, গৌহাটিদা লৈবা সিল পুখ্রি	Pond/Pool
পাৎ	ঝিল	Lake
লানবন	কিলা	Fort
তুরেল	নদি	River
চীং (মচা/অচৌবা)	পহার/পর্ব্বত	Hill/Mountain
শান্নবুং	মৈদান	Playground
মহৈতম্ফম শঙ	পাঠশালা	School
অরিবা/হান্নগী	পুরানা	Old/Former
অনৌবা	নয়া	New
করিগুম্বা অমা থেংনবা/ খঙবা ৱাবা	সমস্যা (কথিন)	Problem
মরু ওইবা হীরম অমা খন্নবা লৈখায় তাবা	সমস্যা (বিশেষ)	Issue
চরা হেনবা/করিগুম্বা মরম অমা ঙাকপা (অফবা মরমদা)	ব্রত	Fasting
ইনাক খুনবা	ধনি	Rich
লায়রবা	গরিব	Poor
লৈফম	নিৱাজ	Settlement
চাকনিবা	ভিক্ষারি	Beggar
মীচৈ	শাপ	Curse
লূপ/লূপতিন	পরিষদ/সম্মিটি	Board/Council/ Assembly
মিংচৎ/মিংথোল	উপাধি	Tittle
থৌরম	উপলক্ষ	Occassion
খূৎশেম (মীনা শেম্বা)	বনৱত্/নির্মান	Artificial/Creation

অঙকপা ফংবা/ওইবা মওং/ফীভম	উপদ্রব	Fatal event
ইমুং মনুং (চাক্লোনবা)	পরিবার	Family
ইমুং মনুং অপূনবা	সপরিবার	Co-family
য়ূম অমদা লৈবা নুপা খুদিংমক 'য়ূমগী পিবা'	পুরুষ (গৃহ)	Male (House)
য়ূম অমদা লৈবী নিঙোল মৌ	স্ত্রী (গৃহ)	Femal (House)
লুহোংবগা মরী লৈনবা নুপা 'পিবা'	বর	Bridegroom
লুহোংবগা মরী লৈনবা নুপী 'চনু'	কন্যা	Bride
শাগৈ খুদিংগী অপোকপা-অপোকপী অনীগী থৌগল তৌবা নুপাবু 'শাগৈ পিবা'	কুলপতি	Head of the clan
লৈশাবীবু 'চনু'	কুমারি	Miss
মৌবু 'লৈমা'	শ্রীমতি	Married Women
ইরমদমসিগী পিবাশিংগী অশুপ্পবু 'পিবারেল/ নিংথৌ/মৈদিংঙু নৎত্রগা মৈতিংঙু/ঐবু লোইবা লৈমাবা/'লৈপাক মপুরেন'	রাজা/মহারাজ	King/Emperor
ইরমদমসিগী লৈমশিংগী অশুপ্পী/নিংথৌগা ফন্বাল তোংমিন্নবা ইবেম্মবু 'লৈমরেন/লৈমরেন্বী	রানী/মহারানী	Queen/Empress

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লংমাই কারল য়োংখাঙ চীঙ ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। লংমাই ফুংকা লাইরুলেল। পেনু থুময়োমবী থুময়োম চীঙ। ৱাঙপল কানবা কাওকৌ চীঙ। কোঙবম চনু ফানামবী। সনা খোঙলেং লম। খোইনৌ লাংমৈ চোইকেল চীঙগা থংননা। থেবা ঙানৈ পাৎতা। খৌশা লালদবদি। কুমবা নিংথৌ ঙাফা শোইফম শোইশেলবা। শাফু তময়েক লাবা। মতিক চাওনা পালবা। চহী লাংহৈ খুদিং য়েকনা তিংখং লৈতনা। চীঙশাং লাকনা পালবদা। লালদা খৌশাবদা। তুংথাং থাঙয়ানবা। ঙাংজেং ঙকলীনববু লাকচাথীনা লালঙমমে। লাইরেল সনা মখূৎশুনা। ময়ুম কংলৈ পুঙদা হললকঙৈ। কোললোই মিংলেল মিংথোলখিবদি। মৈদিংঙু য়োইরেলবা কুমবা। সোইফমবা কাইনা হুনবা ও মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু শামৈরাং য়োইরেলবা মিংকৌবদি। চোইনৌ সনা ফমবাল মিংথোল মিংকৌগা হেননা চুশিননা চানবনে।

মৈতৈ লৈমা কমবোং নিংথৌ চনু লাইরৈমা

নয়োল নবেনথৌ। মৈতৈ লৈমা কমবোং নিংথৌ চনু। কমবোং নিংথৌ থীঙকম পোঙৱায়াবীনা পোকপী। মপাম ময়ুম লমলেল লমদম। লমলেল কৈয়িং কৈয়াং লৈ ও। মিৎকৌ মিংথোনখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। অদোল নোংয়াই খুমল লৈমা। কমবোংথেম চনু শঙতীঙঙানবী। নারুম কাঙবীনা। লাইরেল মৈদিংঙু মনেমবোককী মচা ইবেমমা। হোঙনেম য়ৌখুলচাওবু থেংনা উনগে। মপাম ময়ুম লাকপদা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯌꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯪꯃꯥꯏ ꯀꯥꯔꯜ ꯌꯣꯡꯈꯥꯡ ꯆꯤꯡ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯪꯃꯥꯏ ꯐꯨꯡꯀꯥ ꯂꯥꯏꯔꯨꯂꯦꯜ꯫ ꯄꯦꯅꯨ ꯊꯨꯃꯌꯣꯝꯕꯤ ꯊꯨꯃꯌꯣꯝ ꯆꯤꯡ꯫ ꯋꯥꯡꯄꯜ ꯀꯥꯟꯕꯥ ꯀꯥꯎꯀꯧ ꯆꯤꯡ꯫ ꯀꯣꯡꯕꯝ ꯆꯅꯨ ꯐꯥꯅꯥꯝꯕꯤ꯫ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡ ꯂꯝ꯫ ꯈꯣꯏꯅꯧ ꯂꯥꯡꯃꯩ ꯆꯣꯏꯀꯦꯜ ꯆꯤꯡꯒꯥ ꯊꯡꯅꯅꯥ꯫ ꯊꯦꯕꯥ ꯉꯥꯅꯩ ꯄꯥꯠꯇꯥ꯫ ꯈꯧꯁꯥ ꯂꯥꯜꯗꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯨꯝꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯉꯥꯐꯥ ꯁꯣꯏꯐꯝ ꯁꯣꯏꯁꯦꯜꯕꯥ꯫ ꯁꯥꯐꯨ ꯇꯃꯌꯦꯛ ꯂꯥꯕꯥ꯫ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯎꯅꯥ ꯄꯥꯜꯕꯥ꯫ ꯆꯍꯤ ꯂꯥꯡꯍꯩ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯌꯦꯛꯅꯥ ꯇꯤꯡꯈꯡ ꯂꯩꯇꯅꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯂꯥꯛꯅꯥ ꯄꯥꯜꯕꯗꯥ꯫ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯥ꯫ ꯇꯨꯡꯊꯥꯡ ꯊꯥꯡꯌꯥꯟꯕꯥ꯫ ꯉꯥꯡꯖꯦꯡ ꯉꯀꯂꯤꯅꯕꯕꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯃꯃꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯃꯈꯨꯠꯁꯨꯅꯥ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯀꯪꯂꯩ ꯄꯨꯡꯗꯥ ꯍꯂꯂꯛꯉꯩ꯫ ꯀꯣꯂꯂꯣꯏ ꯃꯤꯡꯂꯦꯜ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯕꯥ ꯀꯨꯝꯕꯥ꯫ ꯁꯣꯏꯐꯝꯕꯥ ꯀꯥꯏꯅꯥ ꯍꯨꯟꯕꯥ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯁꯥꯃꯩꯔꯥꯡ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯐꯝꯕꯥꯜ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯒꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯆꯨꯁꯤꯟꯅꯥ ꯆꯥꯟꯕꯅꯦ꯫

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯀꯃꯕꯣꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯅꯨ ꯂꯥꯏꯔꯩꯃꯥ

ꯅꯌꯣꯜ ꯅꯕꯦꯟꯊꯧ꯫ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯀꯃꯕꯣꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯅꯨ꯫ ꯀꯃꯕꯣꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯊꯤꯡꯀꯝ ꯄꯣꯡꯋꯥꯌꯥꯕꯤꯅꯥ ꯄꯣꯛꯄꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯂꯃꯗꯝ꯫ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯀꯩꯌꯤꯡ ꯀꯩꯌꯥꯡ ꯂꯩ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯠꯀꯧ ꯃꯤꯡꯊꯣꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯩꯃꯥ꯫ ꯀꯃꯕꯣꯡꯊꯦꯝ ꯆꯅꯨ ꯁꯡꯇꯤꯡꯉꯥꯟꯕꯤ꯫ ꯅꯥꯔꯨꯝ ꯀꯥꯡꯕꯤꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯅꯦꯝꯕꯣꯛꯀꯤ ꯃꯆꯥ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ꯫ ꯍꯣꯡꯅꯦꯝ ꯌꯧꯈꯨꯜꯆꯥꯎꯕꯨ ꯊꯦꯡꯅꯥ ꯎꯅꯒꯦ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯥꯛꯄꯗꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।